# মালেমগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি কোভিদ ভেক্সিন দোজ অমা ফাওবা কাপত্রি: দব্লিয়ু ঐচ ও চীফ

জেনেভা, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী চীফ টেদ্রোস অদানোম গ্রেবিয়েসেসকী মতুং ইন্না ইনকম ৱাংবা লৈবাক খরনা কোভিদ ভেক্সিনগী মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা দোজশিং ফাওবা কাপ্লবসু মালেমগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি দোজ অমা ফাওবা কাপত্রি।

কোভিদ ভেক্সিন দোজ অমা ফাওবা কাপত্রিবশিং অদুগী মনুংদা অফ্রিকাগী অপূনবা মীশিংগী চাদ ৮৩ রোম য়াওরি। ইনকম ৱাংবা অমসুং ময়াই ওইরপ্পা ইনকমগী লৈবাকশিংদদি কোভিদ ভেক্সিনেসনগী টার্গেট চাদ ৭০ য়ৌখ্রে।

গ্রেবিয়েসেসনা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা ফিভম অসি ঐহাক্না য়ানিংদে। কনামত্তনা অসিগুম্বা ফিভম অসি য়ারোইদবনি। মালেমগী ইনাক খুনবশিংনা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং ৱাংবগী কান্নবা ফঙবা ঙম্লগা মালেমগী লাইরবশিংনা করিগী মান্নবা খুদোংচাবা ফঙহল্লোইদৌরিবনো।

মীওইবগী পুন্সিগী মমলদা ঐখোয়না করিগীদমক্তা খেন্নবা থমগদৌরিবনো হায়না মহাক্না হংখি। গ্রেবিয়েসেসনা কোভিদ ১৯ গী অপদেট তৌবা ষ্ট্রেটেজিক প্রিপয়র্নেস, রেদিনেস অমসুং রেস্পোন্স প্লান্টসু মায়খুম হাংখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মসি ঐখোয়গী কোভিদ ১৯ গী অহুমশুবা ষ্ট্রেটেজিক প্লাননি অমসুং মসিনা ঐখোয়গী অরোইবা ওইগদৌরিবনি। চহী অসিদা পেন্দেমিক অসি করম্বা মওংদা লাকপা য়াবগে হায়বদু ওইথোকপা য়াবা সিনরিও অহুমসু মহাক্না থমখি। খ্বাইদগী ওইথোকপা য়াবা সিনরিওদি ভাইরস অসি মখা তানা ইভোল্ভ তৌবা অসিনি। তৌইগুম্বসুং ভেক্সিনেসন অমসুং ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা ইম্ম্যুনিটি হেনগৎলকপদগী মতমগী মতুং ইন্না ভাইরস অসিনা লায়না লুশিলহনবগী চাংদি হন্থহনগনি। ইম্ম্যুনিটি হন্থরকপগা লোয়ননা মতম মতমগী ওইনা কেস মশিং অমদি অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা রিস্ক লৈবা মীওইশিং মতম মতমগী ওইনা বুষ্টর দোজশিং কাপ্পা মথৌ তারকপা য়াই। খ্বাইদগী ফবা সিনরিওদা ঐখোয়না শাথিবা লায়না লুশিলহল্লোইদবা ভেরিয়েন্টশিং থেংনরকপা য়াই। অসিগুম্বা ভেরিয়েন্টশিংগী মতাংদা বুষ্টরশিং নত্ত্রগা ভেক্সিনগী অনৌবা ফোর্মুলেসনশিং মথৌ তারক্লোই। খ্বাইদগী ফত্তবা সিনরিওদা লায়না লুশিলহনগদবা অমদি য়াম্না লৌনগনবা ভেরিয়েন্ট থোরকপা য়াই। অনৌবা থ্রেট অসি য়েংলগা মমাঙদা ভেক্সিন কাপখিবা নত্ত্রগা ইনফেক্সন লৈখিবনা মরম ওইরগা অরুবা লায়না থোকহনগদবা অমদি শিহনগদবদগী মীয়াম্বু প্রোটেক্সন পীগদবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা হৌজিক্কী ভেক্সিনশিং অসি মওং খরদা অহোংবা লাকহনবা মথৌ তারক্কনি। ভেক্সিনশিং অসিদা অহোংবা লাকহনবা অসিনা মখোয়বু লায়নাগী ফিভম লুরকপা য়াবা মীওইশিংদা শীজিন্নবদা খুদোংচাহনগনি হায়না গ্রেবিসিয়েসসনা ফোঙদোকখি।

লায়না লুহনগদবা ভেরিয়েন্টশিং অসি থেংননবগীদমক্তা গ্রেবিসিয়েসসনা সর্ভিলেন্স, লেবোরেটরিশিং অমসুং পব্লিক হেল্থ ইনিটলিজেন্স, ভেক্সিনেসন, পব্লিক হেল্থ অমসুং সোসিএল মেজরশিং, কোভিদ ১৯ গী ক্লিনিকেল ক্যের, রিছর্স অমসুং দিভলপমেন্ট অমদি টুলস অমসুং সপ্লাইশিং থোঙ মান্ননা শীজিন্নবনচিংবা থৌরাংশিংদা মীৎয়েং থমখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি পেন্দেমিক অসিবু লাকশিনবা ঙম্নবা ঐখোয়না মথৌ তাবা টুলশিং লৈরে। মাস্ক, দিষ্টেন্সিং, হেন্দ হাইজিন অমসুং ভেন্টিলেসন্না ভাইরস শন্দোকপা থিংবা য়াই। মসিদা নত্তনা টেষ্ট, ট্রিটমেন্ট অমসুং থৰায় কন্নবগীদমক মীপুম খুদিংমক্তা ভেক্সিন কাপ্পা মথৌ তাই।

কোভিদ পেন্দেমিক্কী রেস্পোন্স মখা তানা পীবদা নত্তনা দব্লিয়ু ঐচ ওনা মালেমবু তুংদা লাক্কদবা লায়না লাইচৎশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইনবা অনৌবা থৌরাংশিংসু পায়খৎলি।

হেল্থ এজেন্সিগী চীফ অসিনা মখা তানা হায়, লাইচৎ থোকহনবা য়াবা পেথোজেন্টশিংগী জেনোমিক সর্ভিলেন্স মালেমগী ওইনা হেনগৎহন্নবগীদমক্তা ঙসি ঐখোয়না অনৌবা ষ্ট্রেটেজি অমা লোপ্ঞ তৌরি। দব্লিয়ু ঐচ ওনা দেঙ্গি, জিকা, চিক্কনগুনিয়া অমসুং য়েল্লো ফিবর য়াওনা কাঙনা শন্দোকপা ভাইরসশিংগী ফেমিলি ওইরিবা অর্বো ভাইরসশিংগা মরী লৈননা অনৌবা গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজি অমসু লোপ্ঞ তৌরগনি।





# অনীশুবা তাঙ্কক্কী লোকদাউন মনুংদা চাইনিজ সিটি সাংহাইনা মীওই মিলিয়ন ১৬ স্ক্রিনিং তৌগনি

সাংহাই, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

সাংহাই সিটিদা চৎনরিবা নুমিৎ মাপন্নিগী লোকদাউনদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মনুং চন্না ইরাই নুমিত্তগী হৌরগা সিটি অসিনা হ্বাংপু তুরেলগী নোংচুপ থংবা এরিয়াশিংদা কোভিদ ১৯ ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্ট তৌবগী কেম্পেইন অমা চত্থরগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ওফিসিএল অমনা লাউথোকখ্রে।

সাংহাই ম্যুনিসিপাল পিপলস গভর্নমেন্টগী সেক্রেটরি জেনরেল মা চুন লৈনা হায়খি, মদুদি টেষ্টিং রাউন্দ অসিদা মীওই মিলিয়ন ১৬ রোম টেষ্ট তৌগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ওথোরিটিশিংনা ফুদ সপ্লাইগী প্রোভিজন ফগৎহন্ননবা অমদি মেদিকেলগী মতেং লৌনবা হোৎনবগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং য়েংশিনগনি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা সাংহাইদা লোকেল ট্রান্সমিসনগী ওইবা কোভিদ ১৯ কেস ৩৫৫ কনফার্ম তৌখি অমসুং লাইওং উৎতবা করিয়র ৫২৯৮ সু রিপোর্ট তৌখি। থা অমরোমগী মমাঙদগী অনৌবা কোভিদ ১৯ কেস ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা চৎনহল্লিবা লোকদাউন অসি চহী অনীগী মমাঙদা কোরোনা ভাইরস পেন্দেমিক হৌখিবদগী চাইনাদা খ্বাইদগী চাওবনি হায়বা য়াই। লোকদাউন অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তগী চৎনবা হৌখি অমসুং মসি তাঙ্কক অনী থোক্না চৎনগনি। ন্যুক্লিয়ক এসিদ টেষ্টিং পাঙথোক্ল বগীদমক মার্চ ২৮ গী অয়ুক পুং ৫ দগী এপ্রিল ১ গী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা নোংপোক্লোমদা লৈবা মফমশিংদা মতম খরগী ওইবা ক্লোজ ওফ মেনেজমেন্ট চৎনহনগনি।

মসি পুদোং অমসুং মসিগা তাইনবা মফমশিং য়াওনা হ্বাংপু তুরেলগী খা থংবদসু চৎনগনি। এপ্রিল ১ গী অয়ুক পুং ৩ দগী এপ্রিল ৫ গী অয়ুক পুং ৩ ফাওবা মান্নবা ক্লোজ ওফ মেনেজমেন্ট চৎনগনি অমদি টেষ্টিংগী থবক অদু হ্বাংপু তুরেলগী নোংচুপলোমদা লৈরিবা অর্বান দিষ্ট্রিক্টশিংদা লোপ্ঞ তৌগনি।

কোভিদ ইনফেক্সন লৈরবা মফমশিংগী মীওইশিংনা য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈগদবনি। মথৌ তাবা পোৎলমশিং হকথেংননা শম্নহনদবগী মওংদা হায়বদি নন কন্টেক্ট দেলিভরিগী খুথাংদা ফঙহনগনি।

মীয়ামগী নোংমদা তঙাইফদ্দনা চঙবা পোৎলমশিং ফঙহনবদা মথৌ তাবশিং নত্তনা ইন্টর প্রাইজ পুম্নমক ক্লোজ ওফ মেনেজমেন্টগী মখাদা চল্লাইগনি নত্ত্রগা মখোয়গী এমপ্লোয়িশিং য়ুমদা লৈরগা মথৌ তৌগনি।

চৈরকসিদা ক্লোজ মেনেজমেন্টগী মখাদা লৈরিবা মফমশিংদা বস, সবৱে, ফেরি, টেক্সি য়াওনা ট্রান্সপোর্টকী সার্ভিস পুম্নমক সস্পেন্দ তৌগনি।



# ওষ্ট্রেলিয়াগী ফ্লেগ করিয়র কান্টাসনা কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা নেট জেরো ইমিসন ওইগদবা প্লান পুথোকখ্রে

কানবেরা, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা নেট-জেরো ইমিসন এচিব তৌনবগী মপুং ফাবা প্লান অমা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফ্লেগ করিয়র কান্টাসনা শগোলশেল নুমিত্তা উৎখ্রে। প্লান অদুদা কুমজা ৩০ ফাওবগী মনুংদা কার্বোন ইমিসনগী চাং চাদ ২৫ ফাওবা হন্থহনবগী ইন্টরিম টার্গেট অমসু য়াওরি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না এয়রলাইন্স অসিনা মরু ওইবা ইনিসিএটিব মরিগী পান্দমশিং উৎখি। ইনিসিএটিব মরি অদুদি সষ্টেনেবল এভিএসন ফ্যুএল (এসএএফ) শীজিন্নবা, প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবা তাঙ্কক নাইনা হন্থহনবা, ফ্যুএল ইপিসেন্সি হেনগৎহনবা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা বেজ ওইবা কার্বোন ওফসেট প্রোজেক্ট মখল কয়ানি।

চহী কয়ামুক ঐখোয়না জেরো নেট মিসনগী পান্দম থমদুনা লাকখি। ঙসিদি ঐখোয়গী ইন্টরিম টার্গেটশিংদা ঐখোয়গী প্রোগ্রেস খোঙজেল থুহনবগা লোয়ননা টেক্নোলোজিগী মখা পোন্না ইমিসনশিং থুনা হন্থহনবা অসিনি হায়না কান্টাস গ্রুপকী সিইও অলান জোইসনা ফোঙদোকখি।

সিএসএএফ অসি এয়রলাইন ইন্দষ্ট্রিদা নেট-জেরো ইমিসন এচিব তৌনবগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইনা ইন্টরনেসনেল এয়র ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন্না রিকগনাইজ তৌই। ফ্যুএলনা ইমিসন হন্থহনবগী চাং চাদ ৮০ ফাওবা ওইহনবা ঙমগনি হায়না আইএটিএনা পনখি।

কান্টাসনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ফ্যুএল শীজিন্নবগী চাং এসএএফ চাদ ১০ ওইহন্নবগী পান্দম থল্লি। কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা মসি চাদ ৬০ ফাওবা য়ৌহনবগী পান্দম লৈ।

দোমেষ্টিক এসএএফ ইন্দষ্ট্রি অমা লিংনবগীদমক এয়রলাইন্স অসিনা অহানবগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর মিলিয়ন ৫০ ইনভেষ্ট তৌখ্রে। এয়রলাইন অসিনা বৃটিস ওইল এন্দ গ্যাস কম্পেনিদগী কুমজা ২০২২ দা এসএএফ লিটর মিলিয়ন তরা লৈগনি।

জোইসনা হায়খি, মদুদি হাইড্রোজেন নত্ত্রগা ইলেক্ট্রিক পৱার শীজিন্নবা এয়রক্রাফট অসি মরু ওইনা অয়াম্বা ফ্লাইটশিংগী ওইনা উগদবা চহী য়াম্না ৱাৎলি।

মরম অদুনা ঐখোয়গী থৌরাংদি ঙসি ঐখোয়না লাইনা ফঙবা ঙম্বা টেক্নোলোজিদা মীৎয়েং থম্বা অসিনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনিগী ট্রান্সপোর্ট এন্দ সপ্লাই চেনগী চিয়র প্রোফেসর রিকো মর্কেটনা শগোলশেল নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা কান্টাসনা থল্লিবা ইন্টরিম টার্গেটশিং অসি অফবা অহানবা খোঙথাংনি।

কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা নেট জেরো ইমিসন এচিব তৌনবগী পান্দম অসি ওইথোকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং টার্গেট অসি চপ চানা করম্না ফঙগদগে হায়বসি ঐখোয়না ময়েক শেংনা উৎপসু মথৌ তাই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইমিসন চাদ ২৫ ফাওবা হন্থহনবা হায়বসি অফবা অহানবা খোঙথাংনি।





# ফ্রান্সনা প্রসিদেন্সিএল মীখলদা ভোটিং ষ্টেসনশিংদা হেল্ঠ প্রোটোকোল লাউথোকখ্রে

পেরিস, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

এপ্রিল ১০ অমসুং ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা লৈবাক অসিগী মফম শিন থুঙনা লৈরিবা ভোটিং ষ্টেসনশিংদা চৎনগদবা হেল্ঠ প্রোটোকোল অমা ফ্রেঞ্চ ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চঙলকপা মীওইশিংনা ভেক্সিন পাস নত্ত্রগা নেগেটিব কোভিদ ১৯ টেষ্ট রিজল্ট পুথোকপা মথৌ তারোই। পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চঙবা হায়বসি রিগুলেসন খরগী মতুং ইনগদবনি। তৌইগুম্বসুং চঙফম অমদি থোকফম তোঙান তোঙান্না থমগনি।

মাস্ক শীজিন্নবা অমসুং সোসিএল দিষ্টেন্সিংগী রুলশিং লাক্কদৌরিবা মীওইশিংনা তঙাই ফদ্দনা ইনগদবনি হায়বা লৈতে। তৌইগুম্বসুং অহল ওইরবা, রিস্ক লৈবা অমসুং কোভিদ পোজিটিবা ওইবা মীওইশিংগীদি মাস্ক শীজিন্ননবা রিকমেন্দ তৌরি।

পোল্লিং ষ্টেসন পুম্নমক্তা মাস্ক ফঙগনি। ভোটরশিং নত্ত্রগা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ওর্গনাইজেসনদা শরুক য়ারিবা অমদি ভোট থাদবগী প্রোসিজরশিংদা চেন্নরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা মতুং ইন্না মাস্ক শীজিন্নবা নত্ত্রগা শীজিন্নদবা য়াই।

হেন্দ ৱাসিং পোইন্ট নত্ত্রগা হাইড্রো অলকোহলিক জেল অসিসু পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থমগদবা খুদোংচাবশিংনি। পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মাস্ক শীজিন্নবা ভোটরশিং আইদেন্টিফিকেসন প্রোটোকোলগা মরী লৈননা ঙাইহাক্কী ওইনা মখোয়গী মাস্কশিং লৌথোকহনবা য়াই হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইক্বিপমেন্ট খুদিংমক তোইনা শেংদোক্কনি অমসুং পোল্লিং ষ্টেসনশিং চাং নাইনা ভেন্টিলেট তৌগনি।

সিও ২ সেন্টরশিংনা পীরিবা ইন্দিকেসনগী মতুং ইন্না নত্ত্রগা পুং অমদা মিনিট ১০ খুদিংগী ভেন্টিলেসন তৌগনি। পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ওর্গনাইজেসন অমসুং ভোটিং প্রোজিসরদা শরুক য়ারিবশিং মশা মশানা কোভিদ ১৯ টেষ্ট তৌবা য়াহনগনি।

ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল অসিগীদমক ফ্রেঞ্চ সিটিজেন মিলিয়ন ৪৮.৭ রেজিষ্টর তৌরে। কুমজা ২০২২ গী ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী অহানবা রাউন্দ এপ্রিল ১০ দা পাঙথোক্লগনি অমসুং করিগুম্বা কেন্দিদেট অমত্তা মেজরিটি ফঙবা তারবদি এপ্রিল ২৪দা তোপ কেন্দিদেট অনীগী মরক্তা রনওফ পাঙথোক্কনি।

কুমজা ২০১৭ গী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা মায় পাকখিবা ইমানুএল মেক্রোননা মার্চ ৩ দা লাউথোকখিবা অমদা মহাক অনীশুবা চহী মঙাগী টার্ম অমগীদমক্তসু মীরেপ ওইগনি হায়খিবনি। মহাক্কী অহানবা টার্ম মে ১৩ দা লোইগদবনি।

মীখল অসিদা মেক্রোন, নেসনেল রেল্লি পার্টিগী প্রসিদেন্ট মেরিন লেপেন অমসুং পেরিসকী মেয়র এনি হিদালগো য়াওনা পুন্না কেন্দিদেট ১২ না লম্বা তৌনগনি।



# রসিয়ন ফোর্সশিং য়ুক্রেনগী দোনবাস রিজনদা নৌনা পুনশিন্ননবা হোৎনরি: নাটো চীফ

ব্রসেলস, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনদা লৈরিবা রসিয়ন ফোর্সশিং হন্দাকপা লৈতে, তৌইগুম্বসুং হৌজিক মখোয় অমুক হন্না পুনশিন্ননবা হোৎনরি হায়না নোর্থ এলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) গী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটনবর্গনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ন অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্নরিবা লান নুমিৎ ৩৬ নি শুরকপদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ব্রসেলসতা ষ্টোলটনবর্গনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ঐখোয়গী ইন্টিলিজেন্স মতুং ইন্না রসিয়ন য়ুনিটশিং হৌজিক ৱিদ্রো তৌবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মখোয় অমগা অমগা পুনশিন্নদুনা নৌনা ফিভম শেম্লি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা হৌজিক দোনবাস রিজনদা নৌনা পুনশিন্ননবা মথৌ তাবা মফমশিংদা সপ্লাই পীনবা অমসুং মসিগী ওফেন্সিব হেন্না মতিক ময়াই লৈহন্নবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা রসিয়ানা কিভ অমসুং অতৈ সিটিশিংদা মখা তানা প্রেসর পীদুনা লৈরি।

মরম অদুনা অহেনবা ওফেন্সিব এক্সনশিং চত্থরকপগা লোয়ননা মীশি মীনা হেন্না থোরকপা য়াই হায়না ঐখোয়না থাজে।

ব্লাদিমির পুটিননা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসনগী মিংদা য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবা নুমিৎ ৩৬ নি শুরে। শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা দনিপ্রোপেট্রোবস ওব্লাষ্টতা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা এটেক্ট তৌখি। লোকেল গভর্নরগী মতুং ইন্না এটেক্ট অদুদা মীওই অনী শিখি অমসুং অতৈ মঙানা অশোক অপন নঙখি। য়ুক্রেনগী অৱাং নোংপোক থংবা খর্কিব রিজনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা অকনবা সেল এটেক্ট চত্থবদগী লমদম অদুদা মী হোন্দোকহন্নবগী কোরিদোরশিং হাংবদা অপনবা ওইরি।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী কিভতা লৈবা ওব্লাষ্ট ভিলেজতা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সেল এটেক্ট চত্থবদগী স্কুল অমা অমাঙ অতা থোকখ্রে। স্কুল অদুগী লৈমায়দা আর্থ ৱার্কশিং অমদি ব্লাষ্ট মচেৎশিংগা লোয়ননা বিল্ডিংগী অকায় অতোইশিং চাইবা উখি।

মাইকোলাইভকী রিজনেল এদমিনিষ্ট্রেসন বিল্ডিংদা চত্থখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমদা মীওই ২০ শিখ্রে অমসুং ৩৩ না অশোক অপন নঙখ্রে। য়ুক্রেনিয়ন মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুদা বিল্ডিং অদুগী তঙ্খায় অমা অমাঙ অতা থোকখি।

তৌইগুম্বসুং রসিয়ন ফোর্সশিংগী মায়কৈদা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া নঙলে হায়না য়ুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা মখা তানা ক্লেম তৌরি। য়ুক্রেনিয়ন ইন্দিপেন্দেন্টকী রিপোর্টনা হায়, য়ুক্রেনদা লান্দাবদা মোস্কোগী টুপ ১৭৫০০ ময়েং তাখ্রে। টেঙ্ক ৬১৪ অমসুং আর্মদ পার্সনেল করিয়র ১৭৩৫ থুগায়খ্রে।

রসিয়নশিংগী ভেহিকল ১২০১, এয়রক্রাফট ১৩৫ অমসুং হেলিকোপ্টর ১৩১ লান অদুদা মাঙ তাকখ্রে হায়নসু য়ুনিয়ন ফোর্সশিংনা ক্লেম তৌখি।

অতোপ্পা দিভলপমেন্ট অমদা য়ুকেগী ইন্টিলিজেন্স চীফনা হায়রি, মদুদি য়ুক্রেনদা লৈরিবা দি মোরেলাইজ তৌরবা রসিয়ন লান্মীশিং হৌজিক ওর্দর ইল্লু য়াখিদ্রে। মখোয়না শোয়বদগী রসিয়ন এয়রক্রাফট ফাওবা কাপথখি।

চৈরকসিদা, রসিয়ন ফোর্সশিং চারনোবিল ন্যুক্লিয়র প্লান্ট থাদোকখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী ষ্টেট ন্যুক্লিয়র ফার্মনা ক্লেম তৌখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা য়ুক্রেনগী ষ্টেট ন্যুক্লিয়রগী কম্পেনি ইনরগোটোমনা ফোঙদোরকপদা চারনোবিল ন্যুক্লিয়র প্লান্ট পায়শিল্লম্বা রসিয়ন ফোর্স কয়া মফম অদু থাদোকখ্রে অমসুং মখোয় বেলারসিয়ন বোর্দর পাঙখ্রে।

হৌজিক থবক লেপ্পবা প্লান্ট অদুদা শুপ্পগী মীওই খরদমক লৈহৌরি। চারনোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অমসুং এক্সক্লুজন জোনগী অতৈ ফেসিলিটিশিং পায়শিনখিবা রসিয়ন ফোর্সশিং কলম অনী থোক্না য়ুক্রেনিয়ন বোর্দর তম্না খোঙশানখ্রে।

চারনোবিলদা থবক তৌবা য়ুক্রেনিয়ন ৱার্করশিংগী লৈফম ওইরিবা নক্লবা স্লাভুটিস টাউনদগী রসিয়ন ফোর্সশিং হন্দোকখ্রে হায়নসু কম্পেনি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।



# পাকিস্তানগী মিলিটরিনা ইমরান খানগা জেনরেল ইলেক্সনগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

পাকিস্তানদা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসি কোকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মিলিটরি লিদরনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা উন্নদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়াগদবা ওপসনশিং অমদি গভর্নমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগী মায় কনগদবা এগ্রিমেন্টগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী ছোর্সশিং, সিভিল অমসুং মিলিটরি ওফিসিএলশিংগী মতুং ইন্না মথংগী জেনরেল ইলেক্সনগী মতাংদা বেকদোরগী ৱারী শান্নবগী ৱাফম য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফমদা খন্নখি।

মীফম অদুদা গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসন অনীমক্না য়াগদবা ফোর্মুলাশিং খন্নখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা খানগী ৱাৎলিবা টার্মগী মতম অমদি গভর্নমেন্টগী ইলেক্তোরেল রিফোর্মগী মতাংদা ওপোজিসনগী মায়কৈদা লৈরিবা চিংনবশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

মখা তানা মীটিং অদুদা মথংগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকপা অমসুং ইন্টরিম গভর্নমেন্টনা পায়গদবা মতমগী মতাংদসু খন্নখি।

গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসনগী মায় কনগনি হায়বা এগ্রিমেন্টগী মতুং ইন্না নেসনেল এসেমব্লি অমসুং প্রোভিন্সিএল এসেমব্লি মরিগী ইলেক্সনগী মতম লাউথোক্কনি। ওপোজিসন্না য়ানিংদ্রিমখৈ প্লান অমত্তা ফাইনেলাইজ তৌদবা হায়নসু মীফম অদুদা য়ানখি।

খন্নখিবা ৱাফমশিং অদু গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসন্না অনীমক্না য়ান্নরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টতা মপুং ফাবা পেকেজ পুথোক্কনি হায়রি।

করিগুম্বা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা ঙমদ্রবদি নো ট্রষ্টকী প্রোসেস চত্থরগনি।

চৈরকসিদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা নো ট্রষ্ট মোসন পুখৎপদা য়ুএস চেন্নবা লৈতে হায়না য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইমরান খানগী মায়োক্তা নো ট্রষ্ট মোসন পুখৎপদা অমেরিকান এদমিনিষ্ট্রেসন চেন্নে হায়বা ৱাফম অসি য়ুস্ফম য়াওদে হায়না এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোরকখিবনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা থ্রেট লেটুরনি হায়বা চেরোল অমদা য়াওরিবা ৱাফমগী মচং ওইবশিং সেনিয়ার জর্নেলিষ্টশিংদা খঙহনখি। মদুদা য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্ট পনবগা লোয়ননা ইমরান খানগী মায়োক্তা নো ট্রষ্ট মোসন পুখৎপদা য়ুএস চেন্নদে হায়না শেংদোরক্লিবনি।

